# অফবা শঙ্গোম করম্না পুথোক্কনি

**সরাংথেম জেসমারানি**

শঙ্গোম হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না য়াম্না পাম্না চানরি। মালেমগী ওইনা ইন্দিয়ানা শঙ্গোম পুথোকপদা অহানবা মফমদা লৈরি। অদুবু শঙ্গোম পুথোকপগী মতুংইন্না মী অমনা নোংমদা শঙ্গোম ৩৭৫ গ্রামদি থকপা ফংই। মসিমক ওইরগসু ষ্টেট খুদিংগী মশাগী শঙ্গোম পুথোকপগী মতুংইন্না খেন্নবসু লৈ। ঐখোয়গী লমদমসিদদি চহী অমদা ৮২ মিলিয়ন টনগী শঙ্গোম পুথোকপা ঙম্মী। অদুবু ইন্দিয়াগী ওইনা ফংফম থোকপা শরুকসি য়ৌগে হায়রগদি চহীদা মিলিয়ন টন ২০০ পুথোকপা মথৌ তাই।

অৰাং নোংপোক লমদদি শঙ্গোম থকপগী হৈনবীসি কয়া লৈবা ৰাৎলি অদুগা ফংলিবা পেকেটকী শঙ্গোম নত্তনা অতৈদি ক্বালিটি হন্থরি। অফবা মোত্তবা শঙ্গোম হায়বসি শুমদোক্লিবা শঙ্গোমদু নীংথিনা শেংদোক্লবা পাত্রদা হাপ্তুনা অতোপ্পা অমোৎ অকায় হায়বদি উফুল, হয়িংনচিংবা অমোৎপা অমত্তা চঙহল্লোইদবনি। মসিগা লোয়ননা বিনধা ওন্দনা কুইনা থম্বা য়াবা পুথোক পুশিন তৌবদা শঙ্গোমগী ক্বালিটি হন্থহন্দনা থম্বা ঙম্বা পাত্র শীজিন্নবীগনি।

**ষণবুশিংনা অফবা মোত্তবা শঙ্গোম পুথোক্কে হায়রগদি মখাগী চৎন-কাঙলোনশিং অসি ঙাক্লা চৎপীগনি :**

- চেকশিন্না হায়জিনিক ওইনা শঙ্গোম শুন্বীগনি।
- ষণবী খুদিংমক খোমদা হৌব্রা নৎত্রগা হৌদব্রা হায়না টেষ্ট তৌথোকপীগনি।
- করিগুম্বা ষণবীদু অনাবা ওইরগদি শঙ্গোমদু শুমদোকপীরগা অতোপ্পা শঙ্গোমগা পুনশিন্নবীদনা তোঙান্না থম্বীগনি অমদি মসি চানবগী ওইনা য়োম্থোকপীরোইদবনি।
- করিগুম্বা ষণবী পূন্না শঙ্গোম শুম্বা তারগদি অনাবা ষণবীদু তোঙান্না থম্বীদুনা কোন্না অরোইবদা শঙ্গোম শুন্বীগনি।
- শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা মখোম/মথা খোমজিন অমদি মশাগী নাকলদা অফবা ঈশিংনা চামথোকপীদুনা অকংবা ফীনা তৈথোকপীগনি।
- করিগুম্বা ষণবীদু য়াম্না লেঙবা ওইরগদি ষণবীগী মমৈদু মখোঙগা পুল্লপ পুনশিনবীগনি।
- অহানবা শুমদোকপা শঙ্গোম খরদু হৈদোকপীগনি।

**শঙ্গোম ফৎহন্দবগী হৌরকফম :-** লায়না চেন্দবা ষণবীদগী পুথোরকপা শঙ্গোমসি অফবনি। মসিদা মহীক অমদি ফত্তবা অমত্তা য়াওদে। অদুবু হায়রিবা শঙ্গোমসি নিংথিনা শুমহৌদ্রগদি মোৎহনবগী চাং য়াম্না ৰাংই। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোমসি ঐখোয়না দাইরি প্লান্টতা পুবা মতমদা হাপ্লিবা পাত্র খুদিংমক নিংথিনা চামথোকপীহৌদ্রবা, শঙ্গোম ঈংহল্লগা থম্বদা অমদি শঙ্গোমসি বেক্টেরিয়া অমদি কোকফাই শুজাগী মশীং হেনগৎনবা খ্বাইদগী অফবা মেদিয়ম অমনি। মসিদা শাবগী চাং ৰাংখৎলগদি শঙ্গোম ফৎলক্তবগী চাং য়াম্না ৰাংই। মসিনা অমাঙবা অমা ওইহল্লি। মরমসিনা শঙ্গোমসি ফনা থম্বীগে হায়রগদি মখাগী থৌরাংশিংসি পায়খৎপীগনি।

**ক) শঙ্গোল লূ-নান্না থম্বা :-** শঙ্গোল লূ-নান্না থম্বীদ্রগদি শঙ্গোলদা মহীক কয়া অমা চংলক্তুনা ফৎহন্দবগী মচাক অমা ওইহল্লি। মরম অসিনা ঐখোয়না মখাগী চেকশিন থৌরাংশিংসি লৌখৎপীগনি।

১) শঙ্গোলসি মী লৈবা য়ূমদগী খরা লাপ্পা থম্বীগনি। মনাক্তা ঈশিং তুংহল্লোইদবনি। ষম্থি



নিংথিনা মফম চানা খরা লাপ্পা হুন্দোকপীগনি।

২) শঙ্গোল শাবা মতমদা খরা ৰাংখৎপা মফমদা ওইনা শাবীগনি।

৩) য়ারগদি শঙ্গোলগী লৈমায়সি সিমেন্টকী লৈমায় ওইহনবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মসিনা ঈশিং শীজিন্নদুনা শীৎ শেংবদা য়াম্না লূ-নান্না থম্বা ঙমহল্লি।

৪) শঙ্গোল শেংদোক্লিবা ঈশিং অমদি অমোৎ-অকায়, মথি-ময়ুং খুদিংমক দ্রেনলোমদা নিংথিনা পুদুনা খরা লাপ্পা কোম অমদা থাদবীগনি।

৫) মচিঞ্জাক হাপ্লিবা বাগোসসু নিংথিনা শেংদোকপীদুনা লূ-নান্না থম্বীগনি।

৬) শঙ্গোলগী লৈমায়দু চামথোকপা মতমদা ফিনাইল নৎত্রগা পাওদর চাদা ১ হাপ্পীদুনা শেংদোকপীবা য়াই।

**খ) শঙ্গোম থোকপী ষণবীগী লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপা :** ষণবুশিংনা মাগী ষণ খুদিংমক লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা মতম মতমগী টিকা থাদোকপীগনি। মতম খুদিংমক্তা খোমদা হৌব্রা হৌদব্রা হায়না চ্যেক তৌথোকপীগনি। শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈগী মমাঙদা খোমশিং নিংথিনা চামথোকপীগনি অমদি শঙ্গোলদা মথি ময়ুং চাইদুনা থম্বীরোইদবনি। শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা তীল চেন্দনবা তীলহাৎ হীদাক থাদোকপীগনি।

**গ) শঙ্গোম শুম্বদা চেকশিন থৌরাং লৌগদবা :** ১) শঙ্গোম শুমগদৌরিবা ষণবীদু লাংহনবীরোইদবনি।

২) চাং নাইনা শঙ্গোম শুন্বীগনি।

৩) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা ষণবীগী মখোমদু/মথাদু নিংথিনা চামথোক্লবা মতুংদা অকংবা ফীনা তৈথোক্লগা খোমজিন্দু খরা শুমদোকপীগনি।

৪) ষণবী অমগা ষণবী অমগা শঙ্গোম শুম্বদা শীজিন্নগদবা ফীশিংদু তোঙান তোঙান ওইগদবনি।

৫) ফী অমখক্তা শীজিন্নবা তারগদি দিসইনফেক্টন্টেন হাপ্লগা চামথোক্লবা মতুংদা অমুক হন্না শীজিন্নবীগনি।

৬) শঙ্গোম শুমগদৌরিবা মীওইদু লূ-নান্না অনা-অয়েক য়াওদবা ওইগদবনি। অমোৎপা ফীরোল শেৎপীরোইদবনি। খূৎ-শা নীংথিনা শেংনা সাপোন্না হাম্লবা মতুংদা শঙ্গোম শুন্বীগদবনি।

৭) শঙ্গোম শুম্বা মতমদা অহানবা শুম্বা শঙ্গোম অদু খরা হৈদোক্লগা কোন্না পুল্লপ শুমদোকপীগদবনি। মখোমদা শঙ্গোম লেমহৌনা থম্বীরোইবদনি। অহানবগী শঙ্গোম খরা হৈদোকপগী মরমদি অহানবগী শঙ্গোমসি বেক্টেরিয়াগী চাং য়াম্না ৰাংই। মসিবু শঙ্গোমদা পুনশিনখ্রগদি শঙ্গোমদু ফৎহন্দবগী অচৌবা মচাক অমা ওইরি।

৮) শুল্লিবা শঙ্গোমদু খূৎ লুপশিনবীরোইদবনি। চোৎনা শঙ্গোম শুন্বীরোইদবনি।

৯) শঙ্গোম শুল্লমদাইদা খূৎতা থাও হাপ্লগা শুম্বগী মহুত্তা ঘী ওইনা হাপ্লগা শুম্বনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

১০) খুবীগা খুদোম্বীগদংনা শঙ্গোম শুম্বগী মহুত্তা খূৎ পুল্লপ খোমজিনদু পায়শিল্লগা খুবীনা চিংথবনা হেন্না ফৈ। মসিনা শঙ্গোম লোইনা শুমদোকপা ঙম্বতা নত্তনা খোমদা লৈহৌদে অমদি খোমজিন হেন্না শাংদোকহন্দে।

১১) মনীং থংবা খোমজিন্না হান্না শুমদোক্লবা মতুংদা মমাঙদা অমুক শুন্বীগদবনি। মরমদি শঙ্গোম অয়াম্বা মনীংলোমদা হেন্না লৈ।

১২) শঙ্গোম শুম্বা মতমদা শুল্লিবা মীদুনা লোক খুবা, হাকথি খনবা তৌরোইদবনি অমদি শঙ্গোমদা হুমাং তাহল্লোইদবনি।

১৩) শঙ্গোম শুম্বা লোইরগা নিংথিনা দিসইনফেক্টন্টেনা চামথোকপীগদবনি।

**ঘ) পীজ পীথকপদা চেকশিনবীগদবা :-** ১) অরিবা মচিঞ্জাক এঞ্জাং-নাপি, অরেম-অপা খুদিংমক শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা পীজবীরোইদবনি। মসিনা শঙ্গোমদা অতোপ্পা মনম অমা চেলহল্লি।

২) মচিঞ্জাক্তা খঙহোং হোংলগদি শঙ্গোমগী ফেটসু অহোংবা লাকই। মরমসিনা অফবা মখলগী মচিঞ্জাক পীজবীগনি।

অফবা/মোৎতবা শঙ্গোম হায়রগা শুমদোক্লবা শঙ্গোমদু ফীনা চুমথোক্লগা অফবা ওইবা নত্তে। মসি অনা-অয়েক য়াওদবা, মশা-মউ ফবা ষণদগী পীবা শঙ্গোমনি। মসি শেন্নবিরিবা ঐখোয়না নিংথিনা লূ-নান্না শঙ্গোম শুল্লবদি ক্বালিটি লৈনা শঙ্গোম পুথোকপা ঙম্বতা নত্তনা শেন্দোং লৈনা য়োনবসু ঙমগনি। ●

# পেরিফাইটোন শীজিন্নদুনা ঙা য়োকপগী থৌওং

**ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ**

পেরিফাইতোন হায়বসি ঈশিংদা লৈবা করিগুম্বা পোৎশক অমদা নপ্লগা হিংবা অপিকপা জীবশিং অদুবুনি। হায়রিবা অপিকপা জীবশিং অসি বেক্টেরিয়া, কোকফাই, প্রোটোজুৰা, জুপ্লাটোন, ফাইটোপ্লাটোন নৎত্রগা জীব কয়াগী মরূম নৎত্রগা মচা ওইবা য়াই। হায়রিবা জীবশিং অসি ঈশিংদা লৈবা পোৎশক অমদা হেক্তা নপ্তুনা হৌবা ঙম্মী অমদি ঙা কয়ানা য়াম্না পাম্না চাবা মচিঞ্জাকনি। মরম অদুনা করিগুম্বা মতম অমগী ঈশিং অদুগী প্রদক্তিভিটি হেনগৎহনবদা পেরিফাইটোননা অচৌবা থৌদাং লৌই। পেরিফাইটোন শীজিন্নদুনা ঙা য়োকপগী থৌওং অসি য়াম্না ফবা থৌওং অমনি। মরমদি ঐখোয়গী অকোয়বদা ফংবা পোৎশকশিং শীজিন্নদুনা পেরিফাইটোন অসি ইরায় লায়না হৌহনবা য়াবা অমদি ঙাগী অহেনবা মচিঞ্জাক থাদ্রবসু য়াবা থৌওং অমা ওইবননি।

পেরিফাইটোনশিং অসি হৌননবগীদমক শীজিন্নবা য়াবা সবষ্ট্রেটশিং/পোৎশকশিংদি চরু, চগুম, প্লাষ্টিক, উশা-ৰাশা নৎত্রগা ৰা নৎত্রগা উ য়ুংদুনা শেম্বা য়াই। হায়রিবা থৌওং অসিদা খ্বাইদগী হেন্না চাওগনবা ঙাদি রৌনি। মরমদি রৌ হায়রিবা ঙা মখল অসি পেরিফাইটোনবু য়াম্না পাম্না চাবা ঙানি।

মতাং অসিদা থমজনীংবা ৰাফম অমদি সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র অন্দ্রোনা কৌনা থাবা অমদি ঙা য়োকপা পূন্না পায়খৎমিন্নবগী থৌওং অসিবু ফজনা থিজিল্লবা মতুংদা চাংয়েং কয়া তৌদুনা থৌওং অসি করম্না পাঙথোক্কদগে হায়বা শুগাইনা ইথোক্তুনা ঙামী কয়াদা য়ৌহনখ্রে। হায়রিবা থৌওং অসিদা কৌনা অসিনা সবষ্ট্রেট ওইনা শীজিন্নদুনা পেরিফাইটোন ফজনা হৌহন্দুনা ঙাগী মচিঞ্জাক মপূং ফানা পীবা ঙমহল্লি অমদি ঙানা কৌনা পাম্বীগী মখোঙ শোম্বীবা অমদি ঙাগী মথিনা কৌনাগী লৈহাও ওইহন্দুনা কৌনা অমদি ঙা অনীমক্কী কান্নবা ফংমিন্নদুনা ঙা অমদি কৌনা অনীমক ফজনা পুথোকপা ঙমহল্লি। কৌনা থাবীরবদি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা উশা-ৰাশাগুম্বা পেরিফাইটোন হৌননবগীদমক শীজিন্নবগী দরকার ওইদ্রে। অমরোমদা কৌনা অসি মণিপুরীশিংনা ফক, মোরা, চপল অমদি লৈতেংগী ওইবা পোৎ চৈ কয়া শাবদা অসুক্কী মতিক পাম্না শীজিন্নে অমদি ইকো-ফ্রেন্দলি ওইবা পোৎশক অমসু ওইবনা লমদম অসিদতা নত্তনা মালেমগী মফম কয়াদা য়াম্না পাম্নবা পোৎশক অমসু ওইরি। হায়রিবা থৌওং অসি পাঙথোকপীগে হায়রবদি পুখ্রি অদুগী নাকল অমদা খরা হেন্না কুখনা পরেং অমা তৌথোকপীদুনা ঈশিং খরা হেন্না লৈহনগদবনি। অপূনবা পুখ্রিগী লৈগদবা ঈশিংগী চাংসি চাওরাক্লা ফিট অহুম ওইগদবনি অদুগা খরা লুথবা মফম অদুদনা চাওরাক্লা ফিট তরেৎ ওইহনগদবনি। ঈশিং চনবগী থৌওংদি কৌনা পাম্বী থারবা মতুং তপ্পা তপ্পা তৌবীগদবনি। কৌনা পাম্বী লিংথোক্লবা মতুং নুমিৎ হুমনি শুবদা থমগদবা ঈশিংগী চাংসি সেন্টিমিটর ১৫নি। অসুম্না নুমিৎ নিফুমঙানি শুরকপদা লৈগদবা ঈশিংগী চাং অসিনা ফিট অহুমনি। মতম অসিদা খরা লুথবা মফম অদুদদি ফিট তরেৎ লুরগনি। হায়রিবা মফম অসিদদি কৌনা থাবিরোইদৌবনি। ঙা ফাদোক ফাজিন তৌবা অমদি ঈশিং খরা কংথরকপা মতমদা ঙাশিংগী লৈফম ওইহনগদৌরিবনি।

লীংথোক্কদৌরিবা কৌনাশিং অদু চাউরাক্লা ফিট ১.৫দগী ২ ফাওবা ৰাংবা ওইগদৌবনি অমদি লিংবা মতমদা পাম্বী অমগা পাম্বী অমগগী অরাপ্পসি ফিট ২ ওইগদৌবনি অমদি পরেং পরেং ওইনা লীংবীগদৌবনি। মসিনা ঙানা ইরোইবদা খুদোং চাহনগদৌরিবনি। শঙম অমদা কৌনা পাম্বী চাউরাক্লা ৪২০০ থাবীগদবনি অমদি ঙা ১৫০০ শঙম অমগী মফমদা কৌনা লীংখ্রবা মতুং নুমিৎ ৪নিগী মতুংদা থাবীগদবনি। মফম অদু লৈহাও লৈনবগীদমক্তা ষম্থি, থাওথি, য়ুরিয়া, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট, ম্যুরেট ওফ পোটাশ অমদি শুনুনচিংবসু শীজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

ঙা য়োকপগা কৌনা থাবগা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা মতমদা ঙাগী তোঙানবা মচিঞ্জাক পীজদ্রবসু য়াই। অহেনবা মচিঞ্জাক পীজরবদি ঙাগী ঙাথোক খরা হেনগৎলক্কনি। তৌইগুম্বসুং মচিঞ্জাক পীজবগী খুদোংচাদ্রবসু পেরিফাইটোন ফজনা লৈবা মরম্না ঙাগী মচিঞ্জাক মরাং কায়না ফংগনি। অসুম্না হায়রিবা থৌওং অসি পাঙথোকপা মতমদা ঙাখক্তদগী নত্তনা কৌনাদগীসু শেল ফংবা মরম্না ঙামীশিংদা অচৌবা কান্নবা পীবা ঙমগনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা খুদোংচাবশিং অসি লৈবা মরম্না ঙাগী মচিঞ্জাক পুথোকপদা খুদোংচাদবা



মফমশিং খুদম ওইনা হায়রবদা মণিপুরগুম্বা লমদম অসিদদি পেরিফাইটোন শীজিন্নদুনা ঙা য়োকপগী থৌওং অসি য়াম্না চান্নবা থৌওং অমনি। অসুম্না মচিঞ্জাক লৈবগী শেল লৈজদবা মীওই কয়ানসু শেল চংদবা মওংদা পেরিফাইটোন হৌহন্দুনা ঙা য়োকপীদুনা ঐখোয়গী ঙাগী পোখোক অসি হেনগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। ●

# অফবা ফৌদি শীজিন্নবগী কান্নবা

**ডো. ৰাইখোম জিতেন**

মণিপুরগুম্বা লমদমদা ফৌ হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী হিংনবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পোৎলম অমনি। অসিগুম্বা ফৌ অসিগী মনুংদা চানবগীদমক শীজিন্নগদবা ফৌ অমদি লৌবুক্তা থাদুনা মথং চহীগী পোখোক পুথোক্লবা শীজিন্নবা ফৌ, ফৌদি হায়দুনা অনী থোক্লা খাইদোকই। ফৌদি ওইনা শীজিন্নগদবা ফৌ অসিনা চানবগী ফৌদগী তোঙাল্লি। মরমদি ফৌদি ওইগদবা ফৌ অদু চানবগী থমগদবা ফৌদগী লৌউ কাঙলোন্দগী হৌরগা লীদুনা থম্বা ফাওবদা খেন্নবা কাঙলোন খরা লৈ।

হায়নবা লৈ 'নঙনা লোক্লিবদু নঙনা হুনখিবদুনি' অফবা মরূ হুল্লগা অফবা মহয় ফংই। পোখোক চাথোক হেন্না ফংনবগীদমক অফবা মরূ (ফৌদি) শীজিন্নবীগদবনি। অফবা ফৌদি শীজিন্নবা লৌফম্না অতোপ্পা লৌফমদগী চাথোক্কী চাং চাদা ৫-২০ ফাওবা হেন্না ফংই। হায়বদি লৌ শঙম অমদা চাংচত্তা ফৌবোৎ ২০ থোকই হায়না পাবা মতমদা অফবা ফৌদি শীজিন্নবা লৌফম্না য়ামদ্রবদা ফৌবোৎ ২১দগী ফৌবোৎ ২৪ ফাওবা পুথোকপা ঙমগনি।

অফবা ফৌদি কদাইবু কৌবগে :

১) মপা-মপুগী ওইবা মগুনশিং খঙবা/ঙাকপা মরু ওইগদবনি। অফবা ফৌদি হায়বসিদি মঙোন্দা চেনবা মগুন খুদিংমক লোক্কদৌরিবা ফৌ অদুদা চেনগদবনি। মরম অদুনা ফৌদি ওইগদবা ফৌ অদু মপা মপু মশক খঙদবা নৎত্রগা মমিং খঙদবা নৎত্রগা শেমজিনবা মমিং অমা হেক্তা থোনজিনবা ফৌ ওইরোইদবনি। মরম অদুনা শকখঙলবা লোইশঙ অমনা পুথোকপা নৎত্রগা অয়াবা পীরবা মরূশিংদমক ফৌদি ওইনা শীজিন্নবীগদবনি।

২) মপান থোঙগী মশক মওং মান্নবা :-

ফৌদি ওইগদবা ফৌ অদু  অমোৎ অকাই, অতেক অকায় য়াওদবগা লোয়ননা অতোপ্পা পাম্বীশিংগী মরূ য়াওরোইদবনি। মরূশিং অদু য়েংবদা চাং মান্নবা ওইগদবনি হায়বদি মরূশিংদু তেনবা, শাংবা, ময়াং কংবা, নোয়বা, মতু চোম্বা চোমদবা, মচু মমেন মান্নবা ওইগদবনি। ফৌদি অদু হেক য়েংবদা ওইবা য়াবা ফৌগী মশক খঙবা ঙম্বা ওইগদবনি। হায়রিবা মওং অসি ফংনবগীদমক  ফৌ অদু থাবদগী হৌরগা লোক্তুনা লীবা ফাওবগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা থৌওং কয়া পায়খৎপা ওইগদবনি।

৩) মতোন থোকপা অমদি শাহৌগী ওইগদবা ফীভম :-

ফৌদি ওইগদবা ফৌ মরূশিং অদু মতোন থোকপা চাং মান্নবা ওইগদবনি। মরূ অমা মতোন থোক্লে হায়দুনা ফৌদি ওইবা য়ারে হায়না হেক্তা লৌবা য়াদ্রি। মতোন থোক্লবা মতুংদা হৌগৎলক্লিবা পাম্বীশিং অদু শাহৌ মান্নব্রা মান্নদব্রা য়েংবা দরকার লৈ। হায়বদি চাং মান্ননা হৌদ্রবদি ফৌদি ওইবা য়াদ্রে। অমরোমদা অমুক মতোন থোক্তুনা হৌখ্রবা পাম্বীশিং অদু লীংথোকপা ফাওবদা কয়া য়াম্না হিংবগে/হিংদবগে হায়বসিসু খন্নদবা য়াদবা হীরম অমনি। হায়বদি মতোন থোকখ্রবা পাম্বীশিং অদু মপূং মরৈ ফাবা ফাওবা লৌফমদা হৌবা ঙম্বা ওইগদবনি।

৪) লায়না তীলনাগী ওইবা মওং :-

ফৌদি ওইগদবা ফৌশিং অদুদা লায়না থোকহনগদবা মহীকশিং অমদি মখোয়গী মরূ য়াওদবা ওইবগা লোয়ননা তীল অমদি তীল মরূমশিং য়াওদবা ওইগদবনি।

অফবা ফৌদি শীজিন্নবগী কান্নবা :-

১) ফৌ মখল অদুগী চেনফম থোকপা মপা-মপুগী ওইবা মগুনশিং অদু চাং মান্ননা চেনগনি।

২) অশেংবা অফবা মরূ ওইবনা মরম ওইদুনা মশাদা য়াওরিবা মগুনশিং মপূং ফানা ফুদোকপা ঙমদুনা পোখোক চাথোক হেনগৎহনগনি।

৩) লৌফম অদুদা ফৌদিদগী চেন্নরকপা নাপি অমদি অতোপ্পা পাম্বী হৌবগী চাং নেমগনি।

৪) মরূদা লায়না তীলনা চেন্নরক্তবনা মরম ওইদুনা লৌফম অদুদা লায়না তীলনা তাবগী চাং নেমগনি।

৫) চাং মান্ননা হৌবা অমদি শাহৌ মান্নবা পাম্বীশিংতমক থারবনিনা মরূগী চাং হন্থনা শীজিন্নবা য়াগনি।

৬) শাহৌ ফনা থুনা মপূং মরৈ ফাখিবনা মরম ওইদুনা অকোয়বদগী লায়না তীলনানা চঙবগী চাংসু হন্থে।

৭) ফৌ অদু ফহন্নবগীদমক হাপ্লিবা মচাকশিংগী কান্নবা হেন্না ফংবা ঙমই।

৮) লৌফম অদু চাং মান্ননা অমদি শাহৌ মান্ননা হৌবগা লোয়ননা ফৌ মুনবসু চাং মান্ননা মুন্দুনা পোখোক হেনগৎহনবা ঙমই।

৯) অফবা ফৌদিনা থাবা লৌফম য়েংবদা পূক্লিং ৰাখল নুংঙাইগনি।

মণিপুরগুম্বা নোংজু লৌরোক মতমদা অয়াম্বা লৌফম (অপূনবা লৌ উনরিবা লমগী চাদা ৮০) দা ফৌ থাবা লমদম অসিগী লৌমীশিংগী শেম্মীৎলোন ফগৎহনবা হায়বসি ফৌগী পোখোক য়াম্না পুথোকপগা মরী লৈনবনিনা অফবা ফৌদি শীজিন্নবীদুনা পোখোক চাথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবীগদবনি। চানবগীদমক কৈদা লৈবা ফৌ ফৌদি ওইনা শীজিন্নবীরোইদবনি। ফৌ য়ৈবদা মেছিন শীজিন্নদুনা য়ৈবা ফৌশিংদা ফৌমাঙ য়াওবা য়াবগী ওইথোকপা লৈবা অমদি মেছিন্না ফুদৎতুনা ফৌশিংগী মশা শোকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা মরম ওইদুনা ফৌদিগীদমক অতম্ন না থাবা ফৌশিংতমক ফৌদি ওইনা শীজিন্নবীয়ু। মশক মমিং মথোঙ খঙদবা ফৌশিং থাবীদুনা মতমগা চান্নদ্রবা লৌমী ওইবীগনু। অফবা ফৌদি শীজিন্নদুনা চাথোক য়াম্না পুথোকপা লৌমী অমা ওইবগা লোয়ননা ৰাৎত-পাদবা লম অমা ওইবদা পূম্নমক্না খূৎশম্মনা চৎমিন্নরসি। ●